# টেলঙ্গনা খায়দোকপগী মতাংদা সিমন্ধ্রদা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখ্রে, কংগ্রেস অমসুং বি জে পি মীখলদা খুদোংচাদবা থেংনরবা য়াই






***ভিসাখপটনম, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ*** লোক সভাদা অন্ধ্র প্রদেশ রিওর্গনাইজেসন টিম পাস তৌখ্রবা মতুং খোঙজং কয়া চংশিল্লক্লি। অন্ধ্র প্রদেশ খায়দোকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা এক্টিভিষ্ট কয়ানা অৱাংবা মফমদা থেৎলিবা বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট নরেন্দ্র মোদিগী শক্তম য়াওবা ফ্লেক্সশিং শেগায়খ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মী চিনবা প্রকাশারাওপেটাগী জঙ্কসন্দা থোকখিবনি। সিমন্ধ্র খায়দোকপগী মতাংদা পুক্লিং নুংশিরবা মীওইশিং মরুওইনা সিমন্ধ্রগী প্রজাশিংনা টেলুগু খায়দোকপদা বি জে পি অমসুং কংগ্রেস অনিমক্কী চপ মান্নবা দাইত্ব লৈ হায়না ফোংদোরক্লি। কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী, প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ লোয়ননা বি জে পিগী লুচিংবী সুসমা স্বরাজ অমসুং নরেন্দ্র মোদিগী ইফিজিশিং সিমন্ধ্রগী মরুওইবা সহরশিংদা মৈ থারি। মীয়াম্না টেলুগুগী অপুনবগী শক্তমগী মতাংদা খোল্লাও কয়াসু লাওরি।

অন্ধ্র প্রদেশপু মচেৎ তানা থুগায়খিবগা মরী লৈননা অন্ধ্র প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর কিরনকুমার রেদ্দিনা সি এম, এম এল এ অমসুং কংগ্রেসকী মেম্বর ওইবদগী তোকখ্রে। ওইরক্লিবা ফিবম অদুগা মরী লৈননা নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অমত্তা ফোংদোক্তুনা লৈরি। মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাক্না অন্ধ্রবু মচেৎ তানা থুগায়বগী মতাংদা কংগ্রেস পার্টিবু মরাল শিরি। লোয়ননা সিমন্ধ্রগী মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা অন্ধ্র প্রদেশ খায়দোকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

সিমন্ধ্রগী মীয়ামদা মীনুংশি পোকপগী ফোংদোক্লিবা ৱাঙাংশিং অদুনা মঙোন্দা তোংজবা খরদি ফংলবা য়াই হায়রি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টেলঙ্গনা বিল লোক সভাদা পাস তৌনবা হোৎনবগী মাংওইননা কর্নাটকাদা পাঙথোকখিবা মীটিং অমদা নরেন্দ্র মোদিনা কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমসুং রাহুল গান্ধীবু টেলঙ্গনা ইসুগী মতাংদা মরাল শিখি।

সিমন্ধ্রদা মোদিনা অখন্নবা মীৎয়েং য়েংলি। সমুদ্র খোংবানগী লমদম অমসুং রায়ালাসিমা লমদমশিংদা লোক সভাগী সিট ২৫ লৈ। অদুগা টেলঙ্গনাগী লমদমদনা লোক সভাগী সিট ১৭ লৈ। লোয়ননা বি জে পি না মীখলগী থৌশিল অমা ওইনা সিমন্ধ্রদা মীৎয়েং থল্লি। বি জে পিনা টি দি পি গা লোয়ননা খোঙথাং অমা লৌরকপা য়াই হায়বগী পাউ লৈ।

লুচিংবা চন্দ্রবাবু নাইদু ওইরক্লিবা ফিবম অদুদা পুক্লিং নুংঙাইতবা ফাওরমগনি। লোয়ননা মহাক্না ষ্টেট খায়দোকপগী মতাংদা লেপখিবনি। অদুম ওইনমক নুংঙাইতবা লৈরবসু থবক অদুদি পাংথোকখ্রে। লমদম অনি অদুদা মান্নবা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি হায়না ফোংদোক্লরক্লি।

হৌজিক কংগ্রেস, বি জে পি অমসুং টি দি পি না সিমন্ধ্র লমদমদা মখোয়গী খুদোংচাবা ফংননবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক লমদম অদুগী মীয়াম্না অশাওবগা লোয়ননা লাক্লিবা এসেমব্লি অমদি লোক সভা মীখল ঙাইদুনা লৈরি হায়রি।

টেলঙ্গনা বিল পাস তৌবদা কংগ্রেস অমসুং বি জে পি খুৎশম্নখি। চৈরকসিদা সিমন্ধ্র লমদমদা বিল অদুবু য়ানিংদবগী ঈহৌ চাউনা লাক্লি। সিমন্ধ্রগী দিষ্ট্রিক্ট ১৩ দা থবক থৌরম পুম্নমক লেপখ্রে। স্কুল, কলেজ, সরকারগী ওফিস অমসুং প্রাইভেট সেক্তরশিং থোং লোন্নখ্রে। বেঙ্কশিংগী থবক থৌরমশিং চথবা য়াখিদে। লমদম অদুদা পেট্রোল পম্প অমদি সিনেমা হোলশিং হাংখিদে। সোপ্পিং মোল অমসুং লল্লোল-ঈতিক্কী থবক পুম্নমক চথরকখিবা খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা পুপ্লেপ লেপখি। লম্বী সড়ক ইতাক তাকখি। মরক মরক্তা তঙাইফদবা মীওইশিং খোংনা চৎপা উখি। সিমন্ধ্র লমদমগী মফম কয়াদা সিট-ইন-প্রোটেষ্ট চংশিনখি। লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে কয়াদা মীয়াম্না ফমজিন্দুনা ধরনা চথখি হায়রি।

## টেলঙ্গনা বিল রাজ্য সভাদা পুথোকপা ঙমখিদ্রে ঙসি বিল অসি খন্নবগা লোয়ননা পাস তৌরবা য়াই

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ*** এন্টিসিপেটেদ টেলঙ্গনা বিল ঙসি রাজ্য সভাদা পুথোকপা ঙমখিদ্রে। বিল অদুগী মতাংদা সভাদা চরাংনবা থোকপদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন মীফম অদু য়েথোকখি। হাউসতা ওইখিবা ফিভম অদু তং-তাদবা অমা ওইখি। হাউসকী সেক্রেটরি জেনরেল সমসির কে সরিফনা টি দি পি গী মেম্বর সি এম রামেশনা টেলঙ্গনা বিলগী মতাংদা হাউসতা চে লাক্লবা হোৎনরকপা অদু উখি। রামেশ অমসুং মহাক্কী কাংবুশিংনা বিল অদু য়াদবগা লোয়ননা সভা ময়াইদা চংশিন্দুনা খোংজং কয়া চংশিল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা হাউস অদু নুমিৎ যুংবা ফাওবা য়েথোকখি।

সভা অদুদা উখিবদা রামেশনা নমদুনা চে কয়া লাক্লবা হোৎনখি। ওইরক্লিবা ফিবম অদুদা শাওরবা কুরিয়েননা হায়খিবদা ওইরক্লিবা ফিভম অদু লাইবক থিবনি। মখোয়দা এটেক চথরক্লোইদবনি। লামশিল্লক্লিবা খুৎশিং অদু হন্দোক্কদবনি। তৌরিবা থবক অদু খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবা অমনি হায়খি।

চাক মমাংদা ফমখিবা মীফম অদুনা বিল মরি পাস তৌখি। অদুম ওইনমক টেলঙ্গনা বিল অদুদি হাউসনা লৌখৎপা ঙমখিদে। লোয়ননা চরাংনবা মরক্তা হাউস অদু য়েথোকখি। মিনিষ্টর কে এস রাওনা হৌগৎলক্তুনা টেলঙ্গনা বিলগী মতাংদা ফোংদোকখিবদা, কুরিয়েননা বিল অদু হাউসতা লৌখৎপা পামদে। মদুগীদমক মতেং পাংলকখিবা মেম্বরশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা, হাউস অদু হয়েং ফাওবা য়েথোক্কদবনি। হাউস অদুগী মেম্বর অহুমগী মনুংদা কংগ্রেসকী মেম্বর কেভি পি রামাচন্দ্র রাওনা মীফম ময়াইদা প্লেকার্দ পায়দুনা চংশিল্লকপগা লোয়ননা অন্ধ্র প্রদেশ খায়দোকপা য়ারোই হায়না লাওখি।

বি জে পি অমসুং লেফ্ট পার্টিগী মেম্বরশিংনা অন্ধ্র প্রদেশবু টেলঙ্গনা অমসুং সিমন্ধ্রা হায়না খায়দোক্নবগী মোসন অদু মপুং ফানা খন্ননবা দিমান্দ তৌখি। মীফম অদুদা অতোপ্পা দিমান্দ কয়াসু পুখৎলকখিবগা লোয়ননা চরাংনবা থোকহনখি। মদুনা মরম ওইরগা হাউস অদু হঞ্জিন-হঞ্জিন য়েথোক্লবগী মরম ওইখি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স) রজিব সুক্লানা ফোংদোকখিবদা, বিল অদু হাউসনা মমুৎ তানা খন্নদুনা পাস তৌননবা ৱাফম ফোংদোকখি। মমাংদা রাওনা ফোংদোকখিবদা কুরিয়েননা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনিমক্তা য়াওদুনা অদুগুম্বা লমচৎ-শাজৎ অদু উৎখি। মপুং ওইনা য়েংবদা রাওনা টেলঙ্গনা বিলগী মতাংদা হাউসতা য়ৈখায়-থিনগায়বা থোকহনবগা লোয়ননা টেলঙ্গনা বিলগী মায়োক্তা লৈখি। অদুম ওইনমক লোক সভানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অন্ধ্র প্রদেশ রিওর্গনাইজেল বিল অদু পাস তৌখি। চরাংনবা অমদি মেন তাদবা ফিভম অদু টেলিভিজন চেন্নেলদা টেলিকাষ্ট তৌবা লেপহনখি। ওপোজিসনগী লুচিংবা অরুন জেটলিনা শাওনা ফোংদোকখিবদা, কংগ্রেসকী মিনিষ্টরশিংনা লোক সভাগী মেম্বর অমা ওইনা অপর হাউসতা য়ৈখায় থিনগায়বগী থবক চথরোইদবনি হায়খি।

মতম কয়াগী মমাংদগী পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপা ঙমদনা লাকখ্রবা টেলঙ্গনা খায়দোকপগী বিল অদু বি জে পি গী মতেংগা লোয়ননা পাস তৌখি। বিল অদু মিনিট ৯০ চুপ্পা ভোইস ভোট লৌনরবা মতুং লোক সভানা পাস তৌখিবনি। চরাংনবা ফিভম অদু টি ভি দা থাখিদে। মদুগী মতাংদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরকখিবনি। বিল অদু রাজ্য সভাদা পুথোক্লগনি। বি জে পি না সিমন্ধ্রগী অয়াবা মতুং ইন্না বিল অদুদা শৌগৎনবা শেম শারি।

বিল অদু রাজ্য সভাদা খন্নদুনা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদদি টেলঙ্গনা ২৯শুবা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমা ওইগদৌরিবনি। চথখিবা মীফম অদু হোম মিনিষ্টর সুসিল কুমার সিন্ধেনা ৱারোল কয়া পীদুনা বিল অদু পুথোক্লবা হোৎনখি। চৈরক্তুদা ওপোজিসন লুচিংবী সুসমা স্বরাজনা টেলঙ্গনা খায়দোকপগী মতাংদা লৈরিবা ৱাফমশিং কাওথোক্লোইদবনি। লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জয়পাল রেদ্দিনা অদুগুম্বা বিল অদু পামদে হায়না ফোংদোকখি। জয়পাল রেদ্দি টেলঙ্গনাদগী কারকখিবা এমপি অমনি। মায়কৈ কয়াদগী চরাংনবা থোকহল্লকখিবনা মরম ওইরগা বিল অদু ঙসি পুথোকপা তোকখি। মদুগী মনুংদা কংগ্রেস মেম্বর অমদি কম্যুনিষ্ট পার্টি মাক্সিষ্টকী মেম্বরশিংনসু য়ানিংদবা ফোংদোকখি। কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা ট্রেজরি বেঞ্চকী মমাংদা হ্যমেন সিল্ড শেমদুনা য়ান্নিংদবা ফোংদোকখিবা খোঙজং অদুনা হাউসকী মীফম অদু ড্রামা অমগুম্না উহনখি। হাউসনা বিল অদু পুথোক্লবা হোৎনবদা পুং অমরোম চংখি। মদু ভোইস ভোটতা পাস তৌননবা হোৎনখিবনি। ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মেম্বর সৌগাতারোই অমসুং অসাউদ্দিন ওৱাসিনচিংবা মীওই কয়ানা য়ানিংদবা খোঙজংশিং চংশিনখি। দি এম কে, ত্রিনামুল কংগ্রেস অমসুং জনতা দল য়ুনাইটেদগী মেম্বরশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা হাউসতগী মপান থোকখি।

## দিফেমেসন কেসকী মতাংদা হায় কোর্টনা কেজ্রিৱালদা নোটিশ থাখ্রে

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ*** কেজ্রিৱালগী মথক্তা কংগ্রেসকী এম পি অভতার সিংহ ভদনানা থারকখিবা দিফেমেসন কেস অমগী মতাংদা দিল্লি হায় কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা আম আদমী পার্টিগী মকোক আরবিন্দ কেজ্রিৱালদা নোটিশ থাখ্রে। ভাদনা লোক সভাগী মেম্বর অমা ওইনা হরিয়ানাগী ফরিদাবাদতগী কারকখিবনি। মহাক্না থাঙ্গৎলকখিবা অইবা চেরোল অদুদা কেজ্রিৱালনা লাল্লে হায়হনবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ১ গী কম্পেনসেসন কেজ্রিৱালনা পীহনগদবনি হায়না পল্লি।



কেজ্রিৱালনা ফোংদোরকখিবা ৱাফমশিং অদুনা মহাক্কী মিংচৎ শোকহল্লে হায়রি। জষ্টিস একে পথকনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অদু মে থাগী তাং ৬ ফাওবগী মনুংদা মহাক্কী ৱারোল পীরক্নবা খঙহনখি। চৎলিবা চহি অসিগী জানুৱারী ৩১ দা মীয়াম তিনবা মফম অমদা কেজ্রিৱালনা মহাকপু খ্বাইদগী হেন্না করপসন তৌবা মীওইনি হায়না ফোংদোকখিবনি।

থারকখিবা পেটিসন অদুদা কেজ্রিৱালগী মথক্তা থবক লৌখৎপগা লোয়ননা লাক্লিবা লোক সভাগী মীখল মমাংদা কংগ্রেসকী পার্লিয়ামেন্টেরিয়ানশিংদা মরাল শিবা ৱাফম মখা তানা ফোংদোরক্তনবা ৱাফমসু পল্লি।

ভদননা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, মহাক্কী পেটিসন অদুগা মরী লৈননা কেজ্রিৱালগী মথক্তা লিগেল নোটিশ থাখ্রে। মদুদা অইবা ওইনা লাল্লে হায়না ফোংদোরক্নবা হায়খি। অদুম ওইনমক এ এ পি গী লুচিংবা অদুনা ঙসি ফাওবা এপোলোজি তৌবগী ৱাফম অমত্তা ফোংদোরকপা লৈত্রি হায়রি। এ এ পি গী লুচিংবা অদুনা অরানবা অমসুং য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়া তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ইকায় খুম্নবা য়ারবা মীশকশিংগী মথক্তা শিরি। মদুদা নত্তনা কারবার তৌবা মীওই কয়াদসু মরাল শিবগী ৱাফম ফোংদোকখি হায়না পল্লি।

জানুৱারী ৩১ দা কেজ্রিৱালনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবদা লৈবাক অসিগী মপুকচেল শেংদবা রাজনীতিৱালাশিংগী মমিংগী লিষ্ট ফোংদোক্লগনি হায়খিবনি।

## মুস্লিমশিংনা অঙাং য়োকপা য়াবগী হক লৈ – সুপ্রিম কোর্ট

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ*** শিংথানিংঙাই ওইবা ৱায়েল অমা ওইনা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা হায়খিবদা মুস্লিমশিংনা অঙাং য়োকপা য়াবগী হক লৈ। মদু মখোয়গী পার্সোনেল লোশিংগী ৱাংমদনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা ঙসি হায়খিবদা, ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৪৪ গী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা চৎনরিবা আইন অমা ওইনা মখোয়গী তোঙানবা পার্সোনেল ওইবা নিয়মগী ৱাংমদা থবক অদু পায়খৎপা য়াই।

সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা ফোংদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী আইননা য়াবা মতুং ইন্না অঙাং য়োক্নবগী হক লৈ। মদু কনাগুম্বশিংগী মশাগী ওইবা নিয়মগী ৱাংমদদি ওইবা য়াই। সুপ্রিম কোর্টনা চহি ৮শুরবা কেস অমগী মতাংদা হিয়ারিং চথদুনা অঙাং য়োক্নবগী রায় অদু পীখিবনি। পিটিসন অদু সবনম হসমি কৌবা মীওই অমনা কোর্ট অদুদা থাঙ্গৎলকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্টনা হায়খিবদা মীওই অমনা অঙাং য়োকপা য়াবগী হক লৈ। লৈবাক অসিগী ওইনা পীরিবা ফন্দামেন্টেল রাইটসকী মতুং ইন্না হক অদু ফংবা য়াবগী ৱাফম লৈ হায়রি।

## রজিব গান্ধী কেসকী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল সরকারনা ইনগনি ঃ সিবাল




***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ*** লো মিনিষ্টর কপিল সিবালনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোংদোকখিবদা, সরকার অসিনা রজিব গান্ধী মীহাৎকী কেসকা মরী লৈননা শিবগী দন্দি ওন্থোকখিবা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদু ইনগনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা বি জে পি না ৱাফম অদুদা করিমত্তা ফোংদোক্তনা লৈরিবা অদু অবজাল গুরুগী ঈ তুং ইনবরা হায়নসু ফোংদোকখি। ঙক্লিবদি অতোপ্পা মীওই অমা হাৎলবসু বি জে পি না ৱাফম অমত্তা ফোংদোক্লোইদ্রা হায়বসিনি। হিরম অদুগী মতাংদা বি জে পি না করিগুম্বা খরদি ফোংদোকফম থোকপনি হায়না পাউমীশিংদা ফোংদোরক্লি।

ৱাহং অমা ওইনা মহাক্না হায়খিবদা, ওপোজিসন পার্টিনা করিগীদমক তুমিন্না লৈরিবনো। ইন্দিয়াগী চিফ জষ্টিস পি সথাসিভমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রজিব গান্ধী মীহাৎকা মরী লৈননা শিবগী দন্দি ফংলবা পেরারি ভলন, মুরুগন অমসুং সন্থানবু মখোয়গী মার্সি পিটিসন চহি ১১ থেংথহনখিবগা মরী লৈননা দন্দি অদু ওন্থোকখিবনি।

রজিব গান্ধী মীহাৎতা দন্দি পীদবা অদুনা করিগুম্বা রিলিফ অমত্তা ফংবা ঙম্লোই। মদু এটোর্নি জেনরেলগী খোংফম অমনি। কোর্ট অদুনা ৱারেপ অদু লৌখ্রে। মরম অদুনা ৱায়েল অদু ইনবা তাই। ৱায়েল অদুদা য়ানিংবা নত্রগা য়ানিংদবা হায়বদুনা অমনি। তঙাইফদনা ইনবা দরকার লৈ হায়না সিবালনা ফোংদোরক্লি।

পার্লিয়ামেন্টতা এটেক চথবগী মতাংদা অবজাল গুরুসু শিবগী দন্দি পীখ্রবনি। মহাক মমাং চহিদা থৌরি য়ান্দুনা হাৎখি। মতম অদুদদি বি জে পি না অবজাল গুরু থৌরি হায়ন্দুনা হাৎপদা থেংথহল্লি হায়না খোঙজং চংশিল্লকখিবনি। অদুবু ঙসিদি তুমিন্না লৈশিনখ্রে হায়না ফোংদোরক্লি।

রাজিব গান্ধী হাৎপদা চেন্নবা মরুওইবা মীওই অহুম শিবগী দন্দি পীদুনা হাৎননবা মতম ঙাইদুনা লাকখি। চৈরকসিদা মীওইশিং অদুনা মখোয়গী দন্দি অদু মীনুংশিগী মীৎয়েং য়েংবিনবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা মার্সি পেটিসন থাখি। পেটিসন অদু চহি ১১ ফাওবদা পাউখুম ফংদবদগী সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দন্দি অদু হোংদোক্তুনা মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক তাহন্নবা ৱায়েল পীখিবনি।

---

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### ঙল্লিঙৈ মতমগী লৈবাক ৱা-৪

*মালেম লৈকোইপুংসিগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা লৈবাকশিংগী ফিভম, লৈঙাক্লোন, চৎন-লোনচৎ কয়া অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমগী লৈখিবা ফিভমগদি পুরা খেন্নবা হায়বসি মশানা তাজরবা ৱাফমনি। মতমদুদা ওইখিবা মীওইগী সভ্যাতা অদু কমদৌবজাংনো হায়বদু খঙমিন্নসি।*

**অলেজেন্দর দি গ্রেটস এম্পায়ার ঃ** *অলেকজেন্দর দি গ্রেট হায়না খঙনখিবা অলেকজেন্দর থ্রি অসি মেসিদোনিয়াগী নিংথৌ কিং ফিলিপকী মচানুপানি। গ্রীসকী চাওখৎলবা সিটি ষ্টেটশিংগী মরক্তা লান শোক্নদুনা গ্রীস কিন্থরকপগী খুদোংচাবা লৌরগা মেসিদোনিয়াগী নিংথৌ ফিলিপনা লৌশিল্লম্বা গ্রীসকী লমশিং অদু অলেকজেন্দর দি গ্রেটতা শিন্নরমদুনা মহাক্না নিংথৌ ওইরকখিবনি। অলেকজেন্দর থ্রি ৩৫৬ তগী ৩২৩ বি সি হায়বদি চহি ৩৩ খক হিংলম্মী। মহাক্না হিংলিঙৈ অতেনবা মতমগী মনুংদা পার্সিয়া (মোদর্ন ইরাগ, ইরান, সিরিয়া অমসুং টর্কি), ইজিপ্ত, গ্রীস অমদি বেবিলোন লৌশিন্দুনা পাক চাওরবা সম্রাজ্য অমগী নিংথৌরেল ওইখি। অদুবু মহাক লৈখিদ্রবা তুংদদি অচৌবা সম্রাজ্য অসি কিন্থরকখি।*

**চাইনিজ এম্পায়ার ঃ** *১৬০০ বি সি দগী লৈরকখিবা অপিক অপিকপা নিংথৌ পানবা লৈবাকশিং ২২১ বি সি দদি পুল্লপ পুনশিন্দুনা নিংথৌরেল অমগী মখাদা থল্লকখিবা অদুবু চাইনিজ এম্পায়ার হায়না খঙনৈ। মসিগী এম্পায়ারসি ইহান হান্না কিন দাইনেষ্টিদা লৈঙাক্লবা তুংদা অতে দাইনেষ্টি কয়ামরুম্নসু লৈঙাকখি। হৌজিক ফাওবা লৈরিবা দি গ্রেট ৱাল ওফ চাইনা অসি চাইনিজ এম্পায়ারসিগী মতমদা য়েক্লবশিংনা লান্দারকপা ঙমদনবা শাখিবনি। মতমসিদদি চাইনা অসি মহৈ মশিং য়াম্না হৈবা, আর্টস অমসুং সাইন্সতা য়ুরোপ্তগী মকোক থোংনা লৈখি। অসিগুম্বা অকনবা চাইনিজ এম্পায়ার অসি করপসন অমদি লাইরবনা মরম ওইরগা ২২০ এ দি দা হান দাইনেষ্টিনা লৈঙাকপা মতমদা মচেৎ তানা কিন্থখি।*

## মমতা শৌগৎকনি হায়না হজারে লাওথোকখ্রে

***নিউ দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ ঃ*** সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট অনা হজারেনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোংদোকখিবদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনরজিবু লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা শৌগৎকনি হায়রি।

মহাকপু শৌগৎপগী মরমদি মহাক মফম অদুদা লৈরি। মমতা বেনর্জিবু শৌগৎপগী ৱাফম অদু মহাক্কী পার্টি য়েংলগা হায়বা নত্তে। মহাক্কী লৈবাক অসিগীদমক খনবা ৱাখল্লোন অমসুং সোসাইটিগী য়েংলগা মমতা বেনর্জিবু শৌগৎকদবনি হায়খি।

ৱাফম অদু মহাক্না ঙসি মমতা বেনর্জিগা লোয়ননা পাঙথোকপা পাউজী মীফম অমদা ফোংদোকখিবনি। হজারেনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা মহাক লৈবাক অসিগীদমক, সমাজ অসিগীদমক মহাক্কী পুন্সি লেল্লক্লি। অহানবা ওইনা লৈবাক অসিগীদমক অমদি সমাজ অসিগীদমক খনবা মীওই অমা উন্নখি। মহাক অদু মমতা বেনর্জিনি হায়খি। মমতা বেনর্জিনা অকে-অমৌগী পুন্সি পান্নুবদি মদুদা লেল্লমগনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না অদুগুম্বা ৱাখল অদু খনখিদে হায়না ফোংদোরক্লি।

### খঙহঞ্জবা

করিগুম্বা খরা খঙহঞ্জরি মদুদি থাংমৈবন্দ লৌরুং পরেল লৈকাইদা লৈবা ইংখোল পট্টা নম্বর অরিবা ৯০ / ৪০৪, অনৌবা ১১৯ অসি ঐখোয়বু পোকপীরম্বী লৈখিদ্রবী নামোইজম (ওংবী) থিংবাইজম তোম্বী দেবীগী মিংদা লৈরম্বা ইংখোল অসি মহাক্কী মচানুপা মরিগী মমিংদা ওনশিনজরগনি।

হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বা / কনাগুম্বীশিংনা য়েৎপিনীংবা লৈরবদি নুমিৎ ১৫ নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীরকপা য়াগনি। নুমিৎ ১৫ নিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা লৌজরোই।

***হায়জরিবশিং ঃ-***
১। টিঐচ. মঙ্গী সিংহ
২। টিঐচ. মংলেম সিংহ
৩। টিঐচ. নন্দা সিংহ
৪। টিঐচ. নিলমনি সিংহ

এসএল-১১৭৩/২০

Office of the Secretary
LEIRIK PRIMARY SCHOOL
Khagempalli Pankha

### NOTICE

19/02/2014

It is hereby notified to all the interested persons that the school require two primary teachers, one for Science and another for Manipuri. The persons applying for Manipuri teacher's post should have the knowledge of Meitei Mayek.

So the interested persons should submit their application with bio-data on or before 24th Feb. 2014.

Sd/-
*Secretary,* Leirik Primary School
Khagempali Pankha.

SL/1175/20

